# ‘অপুনবনা পাঙ্গলনি’

মতম মতমগী
**গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা**

খুরা তোমালদু (অশেংবা মমিং নত্তে) নহানদি য়াম্না শাউনা লাকই, লন্বীদা থেংনবনি। অৱাংগী মান্দবতা শোনবা শোরাৎ (লান্ন-থৌরম) মফমদগী থোরকপনি। খুরা হল্লবরা? হায়না হংলুববু চপ লেপখি, ঙাঙবা হৌখ্রগা লোইশিনগন্দবদুগা ঐনা থুরিবদুগা অরেন্বদা হংজরুবনি খল্লিঙৈদা “মী লৈতবগী শোরাৎকী ঈশৈবু রাধা কৃষ্ণ কেনবগী ৱারী লীদুনা লৈ, তানীংদদুনা থোরক্লবনি” হায়রকই। শোরাৎ লোইদোরমাল্লে পোৎয়েং অমুক্তা পীহৌরুখিগে হায়রল্লগা নাম্থোরক্লে। মীতৈ লাইনীংদা য়াম্না চেৎনা থাজজবা অহলনি। মমাঙথক্তবুদি হিন্দু লাইনীং চৎলম্মী, চন্দন-চৱা ঙৌরোক ঙৌনা থিন্দুনা চৎলম্বদু থেংনহৌই, হৌজিক্তি লাইবক্তা কিৎ নল্লগা তোকখ্রে। হিন্দু লাইনীংগা মরী লৈনবা দেব-কর্ম্মদা (থৌরমদা) বার্ত্তন (চেবাউ) ফংদুনা চৎলবসু অয়াম্বা মতমদা শাউদুনতা হল্লকই হায়। নোংমসু দিৱালি নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা মচা নিপাগী দুকান মমাঙদা ঐখোয় খরা লেপমিন্নরিঙৈদা মহাক লাকই। দিৱালিগী মৈ থানগৎনরকপা মতমদুদনি, মচাগী দুকান্দুসু কেন্দল পরেং পরেং থাল্লি। দিৱালিসিদি ঐখোয় মীতৈগী নত্তেদা, মৈয়াংগীনি, ঐখোয়না মতৌ তম্বনিদা। মঙোন্দা হকথেংননা হায়বমক নৎত্রবসু মহাক তানবা হায়রুবনি। চপ লেপ্লগা ঐখোয়না লেপ্লিবা অদোমদা মুন্না য়েংলল্লগা ৱা অমত্তা ঙাঙলমদনা দুকানলোমদা চঙশিনখ্রগা মখূৎতা পায়রম্বা চৈশুদুনা কেন্দলশিং অদু ইন্থুদুনা মূখৎখি। মচানুপাদুনা ‘ঐজ্ঞামচা কৈদৌবগী লেঙহল্লুরিবনো ঙসি নুমিৎ চূপ্পা ইশৌনা লোইররোই” হায়রকই। মখাদি কমদৌখ্রবনো খঙদ্রে, ঐখোয়দি অদুম থোরক্লে। মচানুপা অতোম্বগী লুহোংবদসু নুপী ময়ূমগা য়াম্না য়েৎনখি হায়। লুহোংবদা কৈন্যাদু পোৎলোই শেৎপা য়ারোই, ফনেক শেৎকদবনি হায়রুবা ওইরমাল্লে। নুপী ময়ূমগী মীশিং অদুনা য়ামন্দ্রবদা পোৎলোই শেৎলবদি বরসু কৃষ্ণগী ফিজোল শেৎলগা লাক্কনি হায়রম্মী হায়না তাখি। মখা তানা কমদৌনা য়ানখিবনো হায়বগী অকূপ্পা মরোলদি খঙখিদ্রে, কৈন্যাদু লুহোংবদা পোৎলোই শেৎখি, বর অদুসু কৃষ্ণগী ফিজোলদুমক্তি শেৎলকখিদ্রে।

থায়না হায়বা তারে, ঙসিদগী চাওরাক্লা চহী ৪০/৫০ মুক্কী মমাঙদা ধর্ম্ম-কর্ম্মগা (লাইনীং-লাইশোনগা) মরী লৈনবা থবক থৌরম অয়াম্বদা মাইক খোংবগী চৎনবী লৈরম্মী। মতম অদুদা লুহোং-খোঙদোংবা, শষ্ঠি পুজাদা (ইপান থাবদা) মাইক খোংবদি মহৌশাগী মহৌশানি। মী শিবগী সংস্কার (মথৌ মঙম পাঙথোকপা) ফাওবদা মাইক খোংবা থেংনখি। শ্রাদ্ধ (লান্ন-থৌরম) অমদি কুমওন ফিরোইনচিংবদদি মাইক খোংবা অসি চৎনবী ওইরম্মী। শষ্ঠি পুজাগী (ইপানগী) নুংথিলদা মাইক পাল্লগা ৱারী লীবা নৎত্রগা লাইরিক তৌবসি মতম অদুগী চৎনবীনি। মাইক্তা ৱারী লীরকপা নৎত্রগা লাইরিক তৌরকপদা লাপ্পা তাবা ওইরবসু খুরা তোমালগী তোঙানবা কম্মেন্ট অমদি অদুম পীরকই, অয়াম্বা মতমদা মহাক্লা য়ানীংবা ইয়াও য়াওদে। নোংমসু মাইক্তা মহাভারতকী ৱারী লীরকপদা কনানসু হংলুবা তৌদনা “অওইবা অমত্তা নত্তে, ওইদবা ঙাক্তনি” হায়রকই। মহাক্কী ৱাহৈদুদা ঐখোয়গা লৈমিন্নরম্বা ওজা বাবুনা “খুরা মদু খুরানা খঙদদুনা হায়রিবনি, খঙলবদি হায়রোই” হায়রুবদা “করিগী খঙদনি মহাভারতপু, ঐ লোইনা খঙদুনা হায়রিবনি” হায়না খুল্লকই। ফরে লোইনা খঙলবদি কৌরবকী মচিল মনাও ১০০দুগী মনুংদা ১০ খক্তগী মমিং হায়রকউ হায়রুববু নঙগীদুদি মরৈনি হায়রল্লগা শাউনা চৎখি। খঙফম থোক্তে, কমদৌনা খঙগদৌরিবনো? হৌজিক্কী মতমদা কৌরবকী মচিল মনাও ১০০গী মমিং খঙলমগদবা মী লৈরমগদ্রা? ৱারী লীরিবা ওজাশিংসু খঙলমগদবা মান্দে। মহাভারতকী লান্দা এক্টিভ ওইনা শরুক য়াখিবা মখোয় মরি দুর্জধন, দুশার্শন, দৌপদি ফি মুনবদা য়াম্না কন্না ওবজেক্সন তৌখিবা বির্কনা অমদি লান্দা পোকমিন্নদবা ময়াম্বা দুর্জধন থাদোক্লগা পান্দবকী মায়কৈদা লেপ্পুনা লান থেংনখিবা য়ুয়ুটসু নত্তনা অতৈদি অয়াম্বনা খঙলমগদবা মান্দে।

মমাঙথক্তা থেংনখিবা নীংশিংলকপা থৌদোক খরা ৱারী ওইনা পাউদমজবনি। লাকচনীংলিবদি ঐখোয়গী ইরমদম ওইরিবা মণিপুরগী য়েলহৌমীগী মরক্তা মশীং খ্বাইদগী য়াল্লিবা (তপ্পা তপ্পা মশীং হস্থরক্তুনা মাইনোরিটি ওইরকপা য়াবগী অকিবা লৈরবা) মীতৈ, মৈতৈগী মরু ওইবা ধর্ম্ম (লাইনীং) অসি হিন্দু ধর্ম্ম অমসু মীতৈ লাইনীং ওইরি। খৃষ্টিয়ান অমসুং বুধিজম লাইনীং লৌখিবা মীওই খরসু লৈরে, চপ চাবা মশীং খঙদ্রবসু পংয়াম য়াল্লমগদবদি মান্দে। অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীতৈ ফূরুপকী মরু ওইবা ধর্ম্ম (লাইনীং) হায়বা তারবদি হিন্দু অমসুং মীতৈ লাইনীংনা ওইরি। হিন্দু লাইনীং মরক্তা চঙলকখিবনি, পুশিল্লকখিবনি হায়বদি মীপূম খুদিংমক্লা খঙই। মরক্তা লাকখিবা ওইরবসু লমদম অসিদা মরা তানা লৈরি, মীওই কয়ানা পাম্না চৎনরি। লাইনীং অসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরম খুদিংমক ধর্ম্ম-ধর্ম্মদা পাঙথোক্লরি। হিন্দু লাইনীং চৎলিবা মীতৈশিং ঙসিসু মীতৈগী নাৎ অমসুং চৎনবী অমত্তা থাদোক্ত্রি। য়ূমদা লাইনিংথৌ, লৈমরেলগী খুভম থমদুনা নুমিৎ খুদিংগী ধুপ থাওমৈ কত্তুনা ঈরাৎ থৌনি পাঙথোক্লি, লুহোং-কৈহোংবা অমদি মী লৈতবগী শ্রাদ্ধ-কর্ম্মদা (লান্ন-থৌরমদা) লাইনিংথৌদা অথেনপোৎ কত্তুনা থৌনিজরি। মতমগী অওনবনা য়ূমশা ওন্থোকখিদুনা ফুঙ্গা নাইদ্রবসু চহী খুদিংগী ইমোইনু ঈরাৎ থৌনি পাঙথোক্লি, উমংলাই হরাওবদা শরুক য়ারি, শমজিল্লবদা হিন্দু লাইনীং চৎলবসু মীতৈগী চৎনবী থাদোক্ত্রি, মীতৈ ওইরি। হিন্দু ধর্ম্ম চৎলবসু, মীতৈ লাইনীংবু ওইরবসু অনীমক মীতৈনি, থাদোক্লবা য়াররোইদবা মণিপুর ইমাগী মচা মশু ঙাক্তনি। নীংশিংবা ঙমদ্রবা মতমদগী অরৈ লৈত তানদুনা অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা লৈমিন্নরক্লি, মখা তানসু লৈমিন্নখিনি মীওইবা খুন্নাইনা লৈরিমখৈ।

হিন্দু ধর্ম্ম ওইরবসু মীতৈ লাইনীংবু চৎলবসু নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরিবা, মখা তানসু লৈমিন্নবগী মথৌ তারিবা খাইদোক্লবা য়ারোইদবা মীতৈ ফূরুপকী মীওইশিংগী মরক্তা ধর্ম্ম খেন্নবগী খুদোংচাবা লৌরগা মীওই খরনা মীদিয়াদা (মরু ওইনা প্রিন্ট মীদিয়া অমসুং ফেসবুকতা) তাবদা নুংঙাইতবা ৱাহৈ কয়া ইদুনা অমদি পোষ্ট তৌদুনা তোঙান তোঙান তাহন্নবা শিংচেপ থাবগী থবক কয়া তৌনরি। মশীংগী ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা মীওই খরনা পাম্না চৎচরিবা ধর্ম্ম (লাইনীং) অদুগী মায়োক্তা তাবদা নুংঙাইতবা, ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা ইদুনা থাগৎলকপা হায়বসি তৌফম থোক্তবা অমনি। নাকল অনীগী অৱাই অখুমদি নত্তে, নাম্মখক্তগীনি। করিগুম্বা অওক ওকথোং তৌনরক্লবা, অঙম তান্নবগী মওংদা লাক্লবদি মৈরিক্তগী মৈজাও ওল্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্লা মশা মশাগী অনীংবা অপাম্বগী মতুংইন্না চৎনীংবা ধর্ম্ম (লাইনীং) চৎপা য়াবগী হক লৈ, চৎনরি। হোংদোক হোংজিন তৌবসু য়াই তৌবসু তৌনরি। মীতৈ লাইনীংদগী হিন্দু ওনখিবা, হিন্দুদগী মীতৈ লাইনীংদা ওন্থোকখিবা অমদি মশীং য়ামদ্রবসু খৃষ্টিয়ান লাইনীং চৎখিবা অমদি বুদ্ধিজম ওনখিবসু লৈরে। মুস্লিমদা ময়ূম পানখিবা মীতৈ নিঙোল খরা মুস্লিম ওনখিবা থেংনরবসু লমদম অসিগী মীতৈ লাইনীং চৎপা অমদি হিন্দুদগী মশানা পাম্না মুস্লিম লাইনীং লৌখিবদি থেংনদে, ঐনা খঙদবা ওইরম্বসু য়াই। অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু মশা মশাগী অপাম্বগী মতুংইন্না লৌনীংবা লাইনীং লৌবদা আইনগী ওইনা অকায়বা লৈতে, অথিংবা পীদে, লৌনরি, ওন্থোক্লরি। চীংগী লমদসু কবুই ফূরুপকী মীওই খরা নত্তনা অতৈ অয়াম্বদি খৃষ্টিয়ানিটি ওনখ্রে।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা ধর্ম্মগী (লাইনীংগী) মিংদা খৎন-চৈনবা, হাৎন-শুনবা, মীশি-মীনা কয়া থোক্লবসু লমদম অসিদদি অদুগুম্বা অকি-তুজুংবা, খুদোংথীনীংঙাই ওইবা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অদুমক্তি থোকখিদ্রি, তাদ্রি। তোঙান তোঙানবা লাইনীং লাইশোন চৎপা ফূরুপ কয়া লৈরবসু অকি-অখং য়াওদনা নুংশি চান্ননা পূন্না লৈমিন্নরি। মসিমক্তি লাইবক ফবনি হায়না লৌবা য়াই। অদুবু তম্পাক লমদা পূন্না লৈমিন্নরিবা ফূরুপ অমগী মীওইশিংগী মরক্তা লাইনীং মান্নদবনা মরম ওইরগা হৌখ্রবা মতমগী নিংদোল পোম্বা থৌদোক অমদা য়ূস্ফম ওইরগা অমনা অমদা মরাল শীনদুনা পেন্দবা ফোঙদোকপগী ৱারোলদগী হৌরগা অমনা অমবু হুন্নবা, থানবা (অশেংবদি হুন্নবা নত্তে, নাকল নাম্মতগীনি) ৱাহৈ কয়া মীদিয়াদা থাগৎনরিবা (মীপূম খুদিংমক্কীদি নত্তে, খরখক্তননি, মদুসু য়াম্না তোয়নদি নত্তে) অসিদি অফবা অচুম্বা থৌওংনি হায়না লৌবা চুল্লোই। চৎনীংবা লাইনীং চৎপা য়াই, অপাম্বগী মতুংইন্না ওন্নীংবা লাইনীংদা ওনখিবসু য়াই অথিংবা লৈতে, অপাম্বা তৌবদা কনানসু অথিংবা পীরক্লোই, পীসু পীদে। পামজবা লাইনীং অদু অতোপ্পদা শন্দোকপসু য়াই অদুবু লাইনীং অদু পামহন্নবা, চৎহন্নবা, ওন্থোক্লবা হোৎনবদা অতোপ্পা লাইনীংবু হস্থনা য়েংবা, হুন্দুনা ঙাঙবা, অতোপ্পগী খোইদৌ শিকপা ৱা ঙাঙবা, ইবা অমদি সোশল মীদিয়াদা থাগৎপদি অচুম্বা ওইরোই। মদুনা ফূরুপকী মনুংদা নুংশিনদনবগী মরূ হুনবগুম থোক্কনি। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়রগদ্রা হায়বগী মীপাইবনা মীয়াম মরু ওইনা মীতৈ ফূরুপকী মীওইশিংগী থম্মোয় নীক-নীক লাউনা লৈরিবা, তম্পাক্কী স্কৱার মাইল ৭০০তগী হেন্দোকপা ঙমদ্রবা, মণিপুর মনুংদা মণিপুর থাবা গাড়ী থৌবদা ফাওবা অথিংবা পীরবা, ঙাকপী শেনবীনবা মপী মপা লৈত্রবা, ইশানা ইশাবু ঙাকচরগা হিংজনবা হোৎনরিবা, তাশিন খোমজিন্দুনা অপূনবা পাঙ্গল শাগৎকদবা মতমদা লাইনীং লাইশোনগী মিংদা তোঙান তোঙান তাহন্নবা থবক থৌরম অমত্তা তৌরোইদবনি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু ঐখোয় পূন্না লেপমিন্ননবা হোৎনগদবনি। অপূনবনা পাঙ্গলনি হায়বা ইপা ইপুশিংনা প্রমান (লৈশি লৈথোন) গা লোয়ননা তাকপীরল্লবা পাউরৌদু নীংশিংমিন্নরসি। ●

# ‘দি বেট্টল ওফ হোং কোং’ দা হিংহৌবা মীওইশিংনা তম্বা লানফম অসিগী মীৎনা উবা পাউদম

**- খুরাইজম তোমথিনঙানবা মীতৈ -**

ঙসিদগী চহী ৭৫গী মমাঙ, দিসেম্বর ৮, নিংথৌকাবা নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাইদা, গুৱাংদোংদা লৈরিবা ইম্পরিয়েল জাপানিজ লান্মীশিংনা হোং কোং তম্না ঙমখৈ ৱাংমদগী নারোন্দা চঙশিল্লকখি। হায়রিবা অয়ূক্কী মতম অসিমক্তদা জাপানিজশিংনা পর্ল হার্বর, দি ফিলিপ্পিনস, বৃটিশ মালয় অমসুং থাইলেন্দদা লান্দাশিনবা হৌখি।

মতম অদুদা হোং কোংগী কোলোনিয়েল গভর্ণমেন্টতা ষ্টেনোগ্রাফর নহা অমা ওইনা লৈখিবী বার্বরা এন্সলো (নী রেদরুদ) না কুমজা ২০১৬তা পীখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা হায়, “নুমিৎতু অয়ূক্কী পুং ৬.৩০ তারে। ঐহাক্না ফমুংদা লৈরিঙৈদা ঐগী দোরবেল খীংলকপগী মখোল অমা তারকখি। চাইনিজ পাখোল্লোই অমনা ঐহাক্না চহী অনী চূপ্পা থবক তৌরক্লিবা মফম, এ আর পি ঐচ ক্যু (এয়র রেইদ, প্রিকোশন্স হেদক্বার্টরস) দা লৈবা ঐগী বোসতগী ‘পুং ৭তগী থবক শূবা হৌ’ হায়না খঙহল্লকপা চেরোল অমা পুরকখি। মদু করি মরমগীনো হায়বদুদি মহাক্না ফোঙদোক্লকখিদে। ঐহাক ব্রেকফাষ্ট খরা চারগা প্রপ প্রপ অদুম চেল্লে। ওফিস য়ৌবদা এ আর পিগী দেপ্যুটি দিরেক্টর মি: (মাইকেল লি) বেভান্না, জাপান্না পর্ল হার্বরদা লান্দারে হায়রকখি। অদুবু ঐখোয়দি পর্ল হার্বর হায়বসি কদাইদা লৈবনো হায়বকা খঙবজাৎ নত্তে। ঐহাক্না হেক খঙজবা হায়ববু পর্ল রিভর হায়বসিতনি। অদুবু অয়ূক্কী মতম অদু অসুম হৌখিবগা লোয়ননা জাপানিজশিংনা আমেরিকানশিংদা লান্দারে অমসুং লান অদু ঐখোয়গী ইনাক য়ৌশিল্লক্লগনি হায়বসি ঐখোয়না খঙলকখি। পুং ৮গী হেক মতুংদগীদি এয়র-রেইদকী সাইরেনশিং অদু খোংলক্লে।”

অয়ূক্কী পুং ৮ তারবা মতুংদা চথুখিবা মিনট মঙাগী রেইদ অমনা, বৃটেনগী মমিংতগী ওইনা লৈবা এয়রফোর্স - বাইপ্লেন মঙা অসি কাই টাক এয়রফিল্ডগী লৈমায়দা পুমতোই তোইনা থুগাইখি। লান অদুদগী ঙাকথোক্লবনি হায়দুনা লৈরিবা মীওই ১১,০০০ অদুসু অয়াম্বনা লাম্হেংনবা হৈতবঙাক ওইবা মরম্না লেফটিনেন্ট জেনরেল টাকাশি সাকাইনা থাজিল্লক্লিবা কংফাল-লান্মী ৩৮,০০০ অদুনা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি। মসিদসু নত্তনা, জাপানগী ঈশিং অমসুং নোংথক্কী ফোর্সশিং অসিনা বৃটিশনা কম্মান্দ তৌরিবা অদুদগী মপাঙ্গল কনবসু য়াম্না হেনখি।

*কুমজা ২০১৬কী নবেম্বরদা ইন্টরভিয়ু লৌখিবদা ব্যাপ্টিষ্ট য়ুনিভর্সিটিদা হিষ্ট্রিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইবা ৱোং চি-মেননা হায়খি* “চাইনিজ গরিল্লাশিংগা গুৱাংদোংদা লাম্হেংনখিবা অদুদা জাপানগী ৩৮শুবা দিভিজন অমসুং ফর্ষ্ট হেভি আর্টিল্লরি বৃগেদ অনী অসি লৈনুংদা কোম তৌদুনা লোৎলগা লৈবা লান্মীগী লৈফম মচা মচাশিং (পিলবোক্সেশ) অমসুং দিফেন্সিভ পোজিশনশিংদা এটেক তৌনবা অকক্লবা ত্রেনিং ফংবগা লোয়ননা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা য়ুনিটশিং ওইহনখি। মসিগীসু মথক্তা, বোম-টোপ কাপ্পগী শীংথানীংঙাই ওইরবা খুদোংচাবা অমসু জাপানিজশিংগী মায়কৈদা লৈখি। জাপানিজ খোঙ-লান্মীবু গ্রেনেদ লোঞ্চর, মোর্টার অমসুং ইনফেন্টরি গনশিংদগী হৌরদুনা হেভি শিজ গনশিং ফাওবগী আর্টিল্লরি খূৎলায়শিংনা মতেং পাংখি।”

কাই টাকতা চথুখিবা রেইদ অদুগী পুং কয়া মাঙওইননা হোং কোংগী কম্মান্দিং ওফিসর, মেজর জেনরেল খৃষ্টোফর মাল্টবাইনা, চাইনাগা তাইনবা ঙমখৈদা জাপানিজশিং চৎথোক-চৎশিন তৌরে হায়বসি খঙবদগী য়েক্লবা অসিনা চঙশিল্লকপগী খোঙজেল অদু তপথহন্নবগীদমক্তা লন্বী-থোং থুগাইবগী থবকশিং (সেবোটেজ ওপরেশন্স) পায়খৎপা হৌনবা য়াথং পীখি। চাওখত্তবা লাল্লোং ‘অনজেন্টলমেনলি ৱারফ্যার’ দা ত্রেন তৌরবা, জেদ ফোর্স হায়না খঙনবা মীশিং য়ামদবা অমসুং অরোনবা মীওই খূৎপু অমখক লানগী পনমাঙ ফ্রন্টলাইন্দা, নৎত্রগা করিগুম্বদনা মসিগী মমাঙ চৎখৎনা থমখি। জেদ ফোর্স অসিদা বৃটিশ, ইন্দিয়ান ফোর্সশিং অমসুং হোং কোং ভোলন্টিয়র দিফেন্স কোর (মতুংদা ভোলন্টিয়রশিং হায়না খঙনরক্কদবা) হায়রিবশিং অসিনা পূন্না কোওলুন য়ৌরক্কদবা লন্বী অমদি থোংশিং থুগাইবগী থবক পাঙথোকমিন্নে।

লান অদুগী নীনি চনবা নুমিৎতা বৃটিশকী লান্মীশিং অদু অৱাং মায়কৈদা লৈবা ন্যু টেরিটরিজ হায়বা মফম অসিদগী জিন দ্রিঙ্কর্স লাইন হায়না খঙনবা মফমসিদা হন্দোক্লকখি। কোওলুনবু ঙাক শেল্লিবা রোয়েল স্কোটস, পঞ্জাবী অমসুং রাজপুট রেজিমেন্টশিংগী লান্মী ৩,০০০না জিন দ্রিঙ্কর্স বে (হৌজিক্কী ক্বাই চং) দগী ঙামীশিংগী খুঙ্গং ছা টিন লান্না সাই কুং ফাওবদা লৈরিবা চীংশাং পরিংদা চাইথোক্তুনা জিন দ্রিঙ্কর্সকী লানবনশিংবু চেকশিন্না শেন্নখি।

*জেদ ফোর্সকী ওপরেটিভ কোলিন মেকইৱাননা রোয়েল স্কোটসতা এটেচ তৌদুনা লৈরিঙৈ, কুমজা ১৯৪১গী ওক্টোবর ৯দা ইরম্বা অমসুং মহাক্কী ময়ানুপা, হিষ্টোরিয়ান টিম ল্যুৱার্দনা পুথোক্লকপা দাইরিগী ৱারোল* -“অমম্বা অমসুং নুংশিৎ কল্লবা অহিং অসিদা এম জি (মেছিন গন) লেপ্পা লৈতনা কাপ্পবা, গ্রেনেদশিং পোকখায়বা, লাউ-খোংনবগী মখোল অমসুং অকনবা ওর্দর পীবগী খোঞ্জেলগা লোয়ননা লান অসি লোইবা নাইদনা শোক্লরি। নোংমৈ কাপ্পগী মৈঙাল অমসুং টোর্চশিংতমক উবা ফংলবসু কনাগুম্বা অমনা লানফম অসিগী অশেংবা শক্তম অদু ইরায় লায়না লাকশিনবা ঙমগনি। জাপানিজ ওফিসরশিংনা থায়নগী মতৌগুম্না থাঙশাং হাইরদুনা অমসুং টোর্চশিংগা লোয়ননা (ঐখোয়গী য়েৎলোমদা প্লেটুন ওইনা) বার্ব ৱায়র মকোন মকোন লৈরিবা মফম অদুফাওবা চঙশিল্লকপা অদুসু উবা ফংই। মসিগী মতুং ইকুই কুইদনা, হন্দোরক্লো হায়বগী ওর্দর লাকই।

খাঙফম খঙদনা ঈংবা অহিংনি। চা লোন্দুনা থকপা য়ারবসু থক্লবা হোৎনবা ঙমদে অমসুং ঐহাক্না ইহান হানবা ওইনা লান্মীশিংগী মরক্তা য়াম্না ৱারৌনা ‘মপূক্লিং হস্থবা’ উবা ফংই।”

মেলরিয়ানা পাক-শন্না নানরবা রোয়েল স্কোটসনা, জিন দ্রিঙ্কর্স লাইন অমসুং কোওলুনগী চঙফম থোঙ্গাল ওইরিবা শীং মুন রিদবট হায়রিবা মফম অসিদা শোক্লবা লান অসিগী ইহান হানবা অচৌবা লানফমদা লাম্হেংনখি। লানফম অদুদা ইহান হান্না চঙলকখিবা জাপানিজ য়ুনিট অদু কর্নেল টৈহীচি দোইনা লুচিংলকখি।

*কর্নেল দোইগী দাইরি : ইম্পরিয়েল ৱার ম্যুজিম, লন্দন* - “য়েক্লবা অসি হৌজিক ফাওবা কয়া নাচুংবা তৌদনা লৈরি। মসিগী মরমদি জাপানিজ লান্মীশিংনা মখোয়না লৈরিবা মফম অসি য়ৌশিল্লক্লবা হোৎনবদা, য়ামদ্রবদা নুমিৎ খরনিদি শোয়দনা চঙখিগনি হায়না খনবদগী ওইরম্বা য়াই। খঙহৌদনা লৈচিল কূংনা থারকপদগী, উবগী চাং অসি মিটর কুনগী ময়াদা হস্থরক্লে।”

দোইনা ওইরক্লিবা নোং-চীংগী ফীভম অদুগী খুদোংচাবা লৌহৌরগে হায়না মবুক্লিংদা লেপখি অমসুং মহাক্কী য়ুনিট অদুনা লান্মী মশীং মতিক চানা লৈতবা রিদবটতা অহিং অদুমক্তদা লান্দাখি। মথংগী অয়ূক, দিসেম্বর ১০ দদি কোওলুন য়ৌবদা য়াম্না মরু ওইবা মফম অমা ওইরিবা রিদবট অসি জাপানিজশিংনা খুদুম চল্লে।

মতুংগী নুমিৎশিংদা লান অদু অর্বান এরিয়াশিংদা য়ৌশিল্লকপগা লোয়ননা মীচম শিবা-নাবগী চাং ৱাংখৎলকখি। বৃটিশনা নাথান রোদলোমদা হন্দোকখিবদগী কোওলুন্দা লুট তৌবা অমসুং হাৎন-শুনবগী থৌদোক থোক্লকখি।

*বর্নস, ওটস এন্দ ৱাশবৌর্ননা ফোঙবা, থোমাশ এফ র‌্যানগী লাইরিক* - **জেশুইটস অন্দর ফায়র ইন দি শিজ ওফ হোং কোং (১৯৪৪)** দা য়াওবা ৱারোল - “অহিং চূপ্পা অদুদা নিল-খোংবা অমসুং লুট-পাট তৌবগী থবক লেপ্পা লৈখিদে... হুরানবা খূৎপুশিংনা অমগা অমগা হেঞ্জিন্নবা তৌদনা অকক্লবা ষ্ট্রিট নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ‘মথৌ’ তৌনৈ। মখোয়না দুকান অমদগী অমদা, য়ূম অমদগী অমদা মথং মথং চঙদুনা করিগুম্বা থোঙ লোল্লন্নবদি থোঙ অদু থুগাই, কাচিন-কোয়া অমদি কা খুদিংমক্তা চঙ চঙদুনা য়াম্না তমথীবা মওংদা খোঙলৈ থুনা থি-হুমগনি। মদুদা খজিক্তং অথিংবা পীরুবদা চরাম্নবা শা-কৈগী মতৌগুম্না তমথীবা মীহাৎতা হাৎলি। নাদা য়ানবা সনা ফোয়দত্তুনা লৌই, খুদোপ লৌথোকপদা ৱারবদি খূৎশাশিং অদু হেক্তা ককথৎলি অমসুং মখোয়না চঙবা মতমদা থিংনবা হেক হোৎনরুবদা য়োৎচৈ অমনা কনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী হেন্না তোয়না থোকপা থৌদোক্লি। অহিং অদুদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তোয়না তাই। অদুগুম্বা অকিবগী মশক ওইরবা মতম অদুগী মনুংদা মীওই মশীং কয়া শিখিবগে হায়বসি কৈদৌনুংদসু খঙবা ঙল্লরোই।”

বৃটিশনা তুং হন্দুনা চেনখিবা মতাং অদুদা ঙাক শেনখিবা পঞ্জাবী রেজিমেন্টনা, দিসেম্বর ২২দা অরোইবা ওইনা হিথাংফম অসি থাদোকখিবা ষ্টার ফেরি অসিবু জাপানিজশিংনা নোংচুবগুম্না কাপশিল্লকপা নোংমৈ মরূ মরক্তা পুদুনা চৎখি। মদুগী মতুংদা জাপানিজ লান্মীশিংনা কোওলুন অসি নৈখায়খি। মদুদা রেপ তৌখিবা অমসুং মীচম হাৎখিবগী মশীং অদু ঙসি ফাওবা খঙবা ঙমদনা লৈরি।

**দিসেম্বর ১২-১৭ ফাওবা ফাজিন্দুনা থমখিবা ঈথৎ:** ***এস্সলোগী দাইরিদা, দিসেম্বর ১২দা ইরম্বা*** - “ঐখোয় কোওলু থাদোক্লে হায়বসি ময়েক শেংলে অমসুং করিগুম্বা লাইগী নোংদমনা চানবীদ্রবদি ঐখোয় পূম্নমক মচেৎ মচেৎ তানা কাপখায়খ্রগনি। জেপশিংগী মতুংদা চাইনিজ গরিল্লাশিং চঙশিল্লকপগী ৱাফম অমদি ঙাঙনবা তাই অমসুং মখোয় হৌজিক টাইপো য়ৌরে হায়নৈ। অদুবু অসুক য়াম্না নুংঙাইবা পাউ অসি ঐহাক্তি থাজরুবদা অকিবা পোকই। ঐহাক নাম্থোকফম অমত্তা লৈত্রে হায়বসি উবা ঙল্লে, অদুবু ঐখোয় হোং কোংদা মখা তানা পন্দুনা লৈফম থোক্ত্রে।” *(মখা চথুজরকখিগনি)* ●



## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৫গী ৱাহং

১) “ঐহাক কালেন ছুটি লোইবা ফাওবা য়ূমদা লৈগে খনবনি অদুবু মশক উদবা থম্মোয়দতা ফাওবা ৱাখল অমনা চিংদুনা পুবদগী...।”
ৱাহৈ পরেং অসি নোভেল অমগী অহৌবদা অইবনা ফোঙদোকপা ৱাহৈনি। য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) “চৈনা য়াওদবা চৈফু” হায়বা ৱারীমচা অসি য়াওরিবা ৱারীমচাগী লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু অদুগা অইবনা কনানো ইয়ু।

৩) “কম লেট অজ সোল্ব দি রিদলস ওফ লাইফ” হায়বা মণিপুরীদগী ইংগ্রাজিদা হন্দোকপা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল মণিপুরীদু করি কৌবগে? ত্রান্সলেটর অসি কনানো?

৪) “নশুংলাংগী” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৫) “লৈকংলাগী নোঙ্গৌবী” হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৪গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (৩,৫)

***২) অনন্দকুমার খুঞ্জামযূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (৩,৪,৫)***

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১১৪গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জামযূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ১১৪গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ-১১৪গী পাউখুম

১) “নুংশিবদি অঙাওবনি, মফম মতম, ধর্ম্ম অমদি চহী অসিগুম্বগী ৱাখল অমত্তা মঙোন্দা লৈজদে হায়বগী ৱাখল ঈচেল অদুনি ৱারীসিগী পরিংদি, থুংনবা কায়নবনা অমনি।”
ৱাহৈ পরেং অসি লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা অইবনা ফোঙদোকপনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? **:- অইবা- খুরাইজম নিমাইচরন, লাইরিক্কী মমিং : হে নুংশিবা! করিগুম্বদসু নঙনা কনাদসু অসুম্না, অহানবা ফোঙবা : নবেম্বর, ২০১৯।**

২) “ৱাকয়ৈ হি অমগা ঙাফা ইন অমগা ঐখোয় বাবানা লৈরনি হায়য়ে, ঐখোয়গী”। ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবদা য়াওবা ৱাহৈ পরেং অমনি। ত্রান্সলেটর অসিগী মমিং হায়য়ু। মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসিগী মমিং করিনো? **:- ত্রান্সলেটর - এল বিরেন্দ্রকুমার শর্ম্মা, লাইরিক্কী মমিং - চেম্মীন (ইনুংশোয়গী ঙাচিং), লাইরিক্কী মখল - নোভেল, অহানবা ফোঙবা - ২০১৪।**

৩) “ঐগী ৱারী” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা - হৈক্রুজম শ্যামসুন্দর, লাইরিক্কী মখল - ওটোবাইওগ্রাফি, ফর্ষ্ট এদিশন - ওক্টোবর ১৭, ২০২৪।**

৪) “মচাথোই অমসুং লাইচনুরা” হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো? **:- অইবা - নাওরেম লোকেশ্বর সিংহ (সনায়াইমা), লাইরিক্কী মখল - অঙাংগী ৱারী লাইরিক, ফর্ষ্ট পব্লিকেশন** - ২০২৪।

৫) “চীংনুংগী সনা লোক্তগী” হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো? **:- অইবা - থৌদাম নেত্রজিৎ সিংহ, লাইরিক্কী মখল - শৈরেংগী লাইরিক, ফর্ষ্ট এদিশন - দিসেম্বর ৩০, ২০২৩।**